# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 31-12-2025)**

**ইমোইনু (এল)ঃ** লনগী লাইরেম্বী ইমোইনু ইরাৎপগী থৌরম ঙসি ৱাকচিংগী ১২ নি পানবা নুমিৎ অসিদা লাইনিং লাইশোলগী চৎনবী অমসুং হরাউ তয়াম্বগা লোয়ননা মনিপুর অমসুং মনিপুরিশিংনা খুন্দাবা মালেমগী মফমশিংদা পাক শন্না পাঙথোকবা শেম শান্নরে।

ঙসি অয়ুক অঙনবদগী হৌনা মফম কয়াদা ইমোইনু ইমাবু শৈথাবা ঈশৈ শক্তুনা ইরাৎপগী থৌরম অসি পাঙথোকবা হোৎনরি।

ইমোইনু ইরাৎপা নুমিৎনা লাকপদা লুচিংবা কয়ানা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা পীবা পাউজেলদা হায়-ঙসিগী শেংলবা নুমিৎ অসিদা ইমা ইমোইনুনা য়ুমথোং খুদিং চংদুনা লন-থুমল, নুংঙাই য়াইফবা অমদি পুন্সি নুংশাংবা পীনবীবা ওইরসনু। ঐহাকসু মনিপুরগী মীয়ামগা পুন্না থৌরম অসি পাঙথোক্তুনা রাজ্য অসিদা শান্তি, নুংশি চান্নবা অমসুং চাউখৎপা পুরকবা ইমা ইমোইনুগী মফমদা থৌনিজরি।

মনিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ-থোকচোম সৈত্যবরতা, এম.এল.এশিং-য়ুমাম খেমচান্দ, থৌনাওজম বসন্তকুমার, কে. রোবিন্দ্রোনচিংবনসু ইমোইনু ইরাৎপা নুমিৎনা লাকপদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

**ঙা (এল)ঃ** ইমোইনু ইরাৎপগা মরী লৈননা রাজ্যগী ফিসরিজ দিপার্টমেন্টনা শিনদুনা ঙসি ইম্ফালগী হপ্তা কাংজেবুংদা অহুমলকশুবা ইমোইনু ঙাগী মেলা অমা পাঙথোক্কনি।

অয়ুক পুং ৯ দগী হৌগদৌরিবা ঙাগী মেলা অদু, ফিসরিজ দিপার্টমেন্টকী কম্মিস্নার-হাওবম রোসিতা দেবী, ফিসরিজ দিপার্টমেন্টকী দাইরেক্তর-টি. ফুলেন মৈতৈ অমসুং এদিসনেল দাইরেক্তর-জয়ারানি, জোইন্ট দাইরেক্তর-টি.

রোমিনা শরুক য়াদুনা হৌদোক্কনি। ঙাগী মেলা অসিদা ঙামী অমসুং কোওপরেটিব সোসাইতিশিংনা পুথোকপা তোঙান তোঙানবা মখল কয়া ফংহনগদৌরি।

হৌজিক ঙাইহাক্কী মমাংদা অকাশবানি ইম্ফালগা উন্নবা অমদা ফিসরিজ দাইরেক্তর-টি. ফুলেন মৈতৈনা হায়-হন্দক্কী মেলা অসিদদি মনিপুরদা য়োকপা মীতৈ শরেং কিলোগ্রাম মরিদগী মঙা ফাওবা তাবশিং ফংহনগনি।

দাইরেক্তরনা মখা তানা হায়-ফিসরিজ দিপার্টমেন্ট অমসুং ঙামীশিংনা কন্না হোৎনবদগী ঙাগী পোৎথোক শিংথানিংঙাই ওইনা হেনগৎহনবা ঙমলে। মতম অমদা উকাবী কিলোগ্রাম অমদা লুপা ৪০০ পীরম্বা অদু হৌজিক্তি লুপা ২০০ দা ফংহনবা ঙমলে। মসি ঙাগা পোৎথোক মরাং কায়না পুথোরকপদগীনি। দিপার্টমেন্ট অসিনা পায়খৎলিবা পি.এম.এম.এস.ৱাই. স্কিমগী কান্নবা ঙামীশিংনা লৌননবসু দাইরেক্তরনা আপিল তৌখি।

**কেলেন্দর (এল)ঃ** রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা ঙরাং ইম্ফালগী লোক ভাবনদা রাজ্য সরকারগী কুমজা ২০২৬ কী ৱান্ড কেলেন্দর অমসুং মনিপুর দাইরি ফোংখ্রে।

কেলেন্দর অমসুং দাইরি অদু চীফ সেক্রেটরি-ডা: পুনিত কুমার গোয়ল, সেক্যুরিতি এদভাইজর-কুলদিপ সিংহ পুলিসকী দাইরেক্তর জেনরেল-রাজিব সিংহনা পুন্না ফোংখি। রাজ্যগী ইনর্ফোমেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্স দিপার্টমেন্টনা পুথোকপা কেলেন্দর অদু দিপার্টমেন্ট অসিগী দিরেক্তর-ঙাঙোম উতমনা রাজ্যপালনা লুচিংদুনা ফোংলে হায়না লাউথোকখি। কেলেন্দর অসিদা মরুওইবা নুমিৎশিং অমসুং মনিপুরগী ফজরবা মফম কয়াগী ফোটোশিং য়াওরি। কেলেন্দর অমসুং দাইরি অসি লাক্লিবা জানুৱারী ৮ দগী দি.আই.পি.আর. ওফিসতা ফংহনবা হৌরগনি।

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা চিংনবা মফমশিংদা থিবা হুন্বগী থবক চথবদা খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম ফাগৎপা লেপত্রি।

রাজ্য পুলিস কন্ত্রোল রুমগী চেরোল অমনা হায়-থৌবাল জিলাগী নোংপোক সেকমাই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা য়েরুম চীংগী চিংখোঙদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম ফাগৎলে।

খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা সিঙ্গল বোল্ট এক্সন রাইফল অহুম, মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম.পিষ্টোল মঙা, হেন্দ গ্রেনেদ অমা, দিটোনেটর মরি, টিয়ার স্মোগ সেল অনি, টিয়ার স্মোগ গ্রেনেট অমা, তোঙান তোঙানবা নোংমৈশিংগী মেগজিন অমসুং নোংমৈ মরুশিং য়াওরি।

ইম্ফাল ইষ্টকী অন্দ্রো পার্কিং ৱাংখৈ এরিয়াদগী ঙরাং মনিপুর পুলিসনা নম্বর থাদবা অমুবা মচুগী বুল্লেট প্রুব স্ক্রোরপিয়ো অমা ফাগৎলে। মসিগা মরী লৈননা মনিপুর পুলিসতা হরবিদার ওইবা মালোম তুলিয়াইমা অৱাং লৈকাইদগী মীওই অমা ফারে হায়রি।

অমরোমদা, রাজ্য পুলিস, ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট অমসুং সি.আর.পি.এফকী অপুনবা কাংবু অমনা চুরাচান্দপুর জিলাগী মনুং চনবা থাংজিং চিংশাংদা লম একর ৪০ রোমদা থারম্বা পোপী পান্বীশিং য়াম্থৎতুনা মাঙহনখ্রে।

**ৱার্কশোপ (এল)ঃ** এদভান্স ত্রোমা লাইফ সপোর্টকী মতাংদা নোংমগী ওইবা ৱার্কশোপ অমা ঙরাং ইম্ফালগী রিমসতা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা রিমসকী দাইরেক্তর-প্রোফেসার-জি. সুনিল কুমার শর্ম্মা অমসুং সুপরিনটেন্দেন্ট প্রোফেসার-এন. সঞ্জিব সিংহ শরুক য়াখি।

**চান্দেল (এল)ঃ** রিকল্লেক্ট, রিকন্নেক্ট, রি-ওরিয়েন্ট হায়বা হীরমদা লমকাং ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী প্লাতিনিয়ম জল্লি থৌরম ঙরাং চান্দেলদা লৈবা লমকাং সেক্রেটরিয়েট কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা এম.এল.এ. এস.এস. ওলিস, সেকেন্দ এম.আরগী সি.ও. সরাংথেম অসানা অমসুং পি.ডব্লিয়ু.ডিগী চীফ ইঞ্জিনিয়ার চোংথাম বিশ্বচন্দ্র শরুক য়াখি। থৌরমগা মরী লৈনবা নীংশিং য়ুন্বীগী মায়খুম হাংদোকপা, সোভিনিয়র ফোংবা অমসুং নাৎকী ওইবা ঈশৈ জগোইশিং উৎপনা থৌরম অদুগী মরুওইবা শক্তম ওইখি।

**রাধাকৃষ্ণনঃ** উপ রাস্ত্রপতি-সি.পি. রাধাকৃষ্ণননা হায়রি-কাশি অমসুং তামিল নাদুগী মরক্তা ঐতিহাসিক ওইবা মরী লৈনবতা নত্তনা ধর্ম্ম অমসুং খুন্নাইরোলগী ওইনা অচেৎপা মরী লৈনরক্কি। মসিনা চহি লিশিং কয়া অপুনবা ভারত অমা শাগৎপদা মতেং পাংলি।

রামেশ্বরমদা পাঙথোকপা কাশি তামিল সঙ্গম ফোর পোইন্ট জিরো লোয়শিনবগী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা উপ রাস্ত্রপতিনা হায়-মহা কবি সুব্রামানিয়া ভারত্তিনা অপুনবগী শক্তম অমসুং পুমমকা থাজবা ভারত অমা ওইহন্নবা ফোংদোক্লম্লা ৱাফমশিং ঙসিদি প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী লমজিং মখাদা হেন্না ময়েক শেংলক্কি।

## ---নিডজ পেপর হেদলাইন্স---

মনিপুরদা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংদা-আই.দি.পিশিং মশাগী ময়ুমদা হনজিলহন্নবা চীফ সেক্রেটরি অমসুং কোকোমিনা ফোংদোকখিবা ৱাফমশিং অমসুং মহৈরোইশিংদা মতম চানা লাইরিক ফংহন্নবা মহৈরোই তরুকনা ফোংদোরকপা ৱাফম তোঙান তোঙানবা হেদলাইন তৌদুনা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

সনা লৈবাক পাউচেদা-আই.দি.পিশিংগী তংদাংবা খঙহল্লু হায়না জানুৱারী ১২ দা গভনরগী থোঙ থিনগদৌরি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তাঙ্কক অহুম থোকা খায়দোক্তুনা আই.দি.পিশিংবু মশাগী ময়ুমদা হনজিন্নবা লৈঙাকা লেপ্তুনা থবক পায়খৎলি হায়না চীফ সেক্রেটরিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম নহারোলগী থৌদাংগী অনিশুবা হেদলাইন ওইরি। পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকলদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

একাডমীক সেসন ২০২৬ কী টেক্সবুকশিং কৈথেল নংনবা মমিংতগী ওইনা পুথোকপা য়ারোই হায়না মহৈরোই লুপ তরুকনা থল্লকপা ৱাফম হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

মহৈরোইশিংদা মতম চানা লাইরিক ফংহন্দ্রবদি খোঙজং চংশিল্লগনি হায়না মহৈরোই লুপ তরুক্কী ৱাফম সনা লৈবাক পাউচেগী অহানবা লামাইদা ফেংলি।

খুমন লম্পাক্কী ভাল ভবন মমিংতা ঙায়রে, ভাইওলিন ইন্সট্রক্তর অমদগী হেন্না অতৈ ইন্সট্রক্তর অমত্তা লৈত্রে হায়না সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি অমসুং ইংলিস এদিসনদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোরপোরেসনগী সেনিটেসনগী ৱাকরশিংগী খুৎশুমল থা মঙা হেন্না পীদ্রে  হায়বা পাউ অমসু পাউ চে অসিগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালাগা দোন্নর মিনিস্তরগা মীফম পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ মনিপুর মেলাগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন অমসুং এম.এল.এ. থোঙাম বিশ্বজিৎকা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালাগা উন্নখিবগী পাউ তোঙান তোঙানবা পাউচেশিংদা ফোংনরি।